# “কৈনা তোকপা পোকপা হৌনদে-!”



**– এল ইবোমচা –**

খুমন খন্বা অমদি মোইরাং থোইবী অনীগী নুংশি ৱারী অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা চীনবুং ৱারী ওইনা নৎত্রগা ঈশৈ ওইনা শক্ল-লিনরক্লে। খন্বা থোইবীগী ৱারী অসি মরু ওইনা মোইরাংগী লোক্তাক পাৎ অমদি মসিগী অকোয়বদা শাগৎখিবা চীংউ থাংজিংগী লীলানি। মোইরাং কংলৈরোলগী লাংওন ৱারীশিংগী মনুংদা থোইদোক্লা শীংথানরিবা ৱারী অসি মোইরাং নিংথৌ চীংখু নহা তেলহৈবগী মতমদুদা থোকখিবনি হায়না লৌনৈ। চাউরাক্লা ঙসিদগী চহী ১০০০মুক শুরবা ৱারীনি। ৱারী পরিং অসিদা য়াওরিবা খন্বা খুমন সলাইগী মীওই অমনি। মহাক্কী য়ূম্নাক্লা য়ুরেঞ্জমনি। মোইরাংদা চীংখুবা নিংথৌগী খুন্থক পানা পান্বোম ওইবতা নত্তনা লৈরোই হঞ্জবা ফম পুরম্মী। খুমন লমদমদগী হাওরম য়াইসনা মোইরাংগী নিংথৌ “কেগে পুরিৎলাই কাবা পুৱাংদা” হায়জদুনা শৈদাংলকখিবনি। খন্বা থোইবীগী ৱারী পরিংদা য়াওরিবা মোইরাং লৈবাক্কী মন্ত্রি থোংলেন কংলৈ মচানি। মন্ত্রি থোংলেনগী মপোক মরিনি। মদুদি হয়িংখোইজা, লাংবু অরিবা, ককয়েল সুজা অথৌবা অরোইবদা থোংলেননি। লোকপচীংগী মখা পরেংদা মাগী য়ূম্ফম অদু লৈরি থাজনৈ। থোইবী মোইরাংগী নিংথৌ চীংখুবগী অমত্তা পোকচবী মমোমনি। থোইবীবু লাংলেন থোইবী হায়নসু মিঙ্গৌনৈ। অমরোমদা নিংথৌগী পানা পান্বোম ওইবতা নত্তনা শেল্লুংবা ফম পুরিবা নোংবান অঙোমনি। মোইরাং চৈরাপ্তা শেল্লুংবা ফম পুদুনা লৈঙাক্লোন্দা য়াম্না চাউরবা থৌদাং লৌরিবা ফৈরোইজাম্বসু অঙোম সলাইনি।

মোইরাংবু লৈঙাকপদা খুদোং চানবা নুংঙাইনা লৈঙাক্লবা হায়দুনা শরুক কয়া থোক্লা খায়দোক্লম্মী অমদি লৈঙাক্লোন্দা মতেং পাংনবা ফম কয়াসু হাপ্লম্মী। মোইরাং নিংথৌনা পানা মরি হায়বদি, কেগে খুনচেৎ তরেৎ, খুন্থক খুনখা হায়না খায়দোকই। লৈবাক্কী ৱায়েল থৌদাদা নিংথৌবু মতেং পাংনবা অপানফম মরি (৪), ফমদৌ হুম্ফুমরি (৬৪) হাপ্লতা নত্তনা অমাইবা-অমাইবী লোয়শঙ, কেগে চৈরাক পুং, কুচু থৌদাফমসু লীংখৎখি। শুপচিল্লগা খুন্থক পানা, খুনখা পানা হায়না পানা অনীদমক খায়দোকই। মোইরাং তুরেলগী নোংচুপ থংববু খুন্থক পানা, তুরেলগী নোংপোক থংবনা খুনখা পানা ওই। লৈবাক ৱায়েলগী থৌদাংদা মতেং পাংনবা হায়দুনা খদ্রাকপা, নোংথোনবা পুখ্রম্বা অমদি লালোই হঞ্জবা হায়রিবা অঙম্বা অপানফম মরি (৪) অসিনা নিংথৌগা থংননা ফম্মী। মখোয়গী মথংদা ফমদৌ হুম্ফুমরি (৬৪) লৈরম্মী। মোইরাংবু লৈবাক ঙাকপদা নুংঙাইনবা খুদোং চানবা, নিংথৌগী মতেং পাংনবা লৈরিবা ফম্নাইবশিং অসি থাগী নৎত্রগা চহীগী শেল পীবা নত্তে। লৌচা পীবগা লোয়ননা অথোইরেম ওইনা কোনুং অকা-অকুমদা দোলাই তোংবনি।

মতিক চারবা মীওই অমবু অঙম্বা ফম হাপ্পদা নিংথৌগী অয়াবা লৌগনি। নিংথৌনসু অঙম-অথৌগী অপাম-পামদদু হংদুনা চান্নবা ফম হাপ্পী। ৱারী পরিংদা মোইরাংনা তোর্ব্বুংদা মৈ থাদুনা শাদানবদা মৈনা মথং-মথং চাক্তুনা কবো লম লানশিল্লগা কবোগী সনা লনগৈ চাকখি। থৌদোক্তুনা শাওরবা কবোশিংনা মোইরাংদা লান হৌরক্তুনা মখোয়গী চাকখ্রবা সনা লনগৈদুগী মমল শিংউ নৎত্রগা লোই হারো! মমল শিংবা ঙমদ্রবা লৈমা নিংথৌ অনী ফাদুনা পুরগনি হায়খি। মতমদুদা মোইরাংগী কৈ পান্নবা ওইরম্বা চাউবনা মাগী মবুধি-মরৌশিংনা কবোশিংবু থেংনগে চোঙথোরকখি। অসুম তৌনা চোংথোরক্লিবা চাউবদা নিংথৌনা নোংথোনফম ফম পীখি। নোংথোনবগী ফমদা কারবা চাউবনা কবোশিংবু লৌশিংতনা মায়থীবা পীবগী মথক্তুদা কবোশিংদগীদুম ওইনা লোইপোৎ লৌখিবগী ৱারী লৈ। হায়বদি কবোশিং অসি মীতৈশিংনা লাই হাক্তক্তগী হৌনা লাকচদুনা লাকই তাকচৈ।

অসুম্না মীতৈশিংদি মীগা লাইগা ইশম শম্নরিঙৈদগী লৈঙাক্লোন্দা শরুক য়ারকপগা লোয়ননা চীং-লেম্বা, মীনুংশি থৌজাল লৈবা, হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা, লৌশিং লৈবা ওইনা হৌজরকই হায়বসি লীবদগী লীরবা মোইরাং কংলৈরোলগী খন্বা থোইবী ৱারী অসিনা লেঙদ্রবা খুদম্নি।

অদুনদি ঙরাং নহান্তা হায়বদি কুমজা ১৮৪৪/৪৫ অদুৱাইগী মতমদা মীতৈ নিংথৌদা মখোঙ পায়দুনা হায়জ-নোঞ্জরগা মণিপুরদা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরকখিবা কুকিশিংনা মীতৈশিংদা অতম্ননা শীংনবা হায়বসি তৌবীমল খঙদবগী লীচৎ শাজৎনি, মীনসু লাইনসু য়ারোইদবা থৌওংনি। মীতৈশিংগী মীনুংশি খঙবা, থৌজাল লৈবা, ঙাকপীবা হৈবগীদমক মণিপুরদা খুন্দাদুনা লৈরিবা কুকিশিংনা মীতৈশিংবু লাই ওইনদুম লাৎপা য়াই। যিশু নীংবদগী মীতৈশিং নীংবনা পাপ কোকপা হেনগনি। অসি য়ৌনা অৱা অনা তাহল্লবা, কাং-খোং চাইহল্লবা, ইশাগী ইরমদম অসিদগী তান্থোক্লবা হোৎনরবা অসি ফাওবা মীতৈশিংদি কুকিশিংগীদমক তুংগী খনবদা ৱাবীরি।

অদুনদি চহী লিশীং-লিশীংগী মশাগী পুৱারী লৈজরবা মীতৈশিংদা মথোং হুক্তবা লমজা-শরা মচা শৈদাংবা কুকিশিংনা মীতৈশিংগী মথক্তা অকনবা মওংদা অশি-অনা য়াওবা হিংশাগী লান তাশিল্লক্লবদি মরৈবাক মফুরুপ কন্নবা খুল ঙাকপা, অরাম্বাই তেঙ্গোল অমদি নুপীলান অনীরক থেংনখ্রবা নুপীশিংতগী ওইবা মৈরা পায়বী লান্মী থোক্লকপা মশানা তাবনি। মীতৈদি মরৈবাক মজাতিবু নুংশিজবা হায়বসি পোকপদগী মশা-মশাগী ঈ-তোংদা য়াওদুনা লাকচরবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা মতম চানা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎহৌদবদগী মীতৈ খুন্নাই অসি লৈখা তানা কুমথখিগদবদগী মীয়াম হুপ্না লৈবাক কন্ননবা থোক্লরকপনি। অসি য়ৌনা মীতৈশিংবু অৱাবা কয়া তাহল্লিবা, কাং-খোং চাইহল্লিবা, ইশাগী ইরৈবাক্তগী তান্থোক্লবা হোৎনরক্লবা থৱায় কয়া অমা উচি চাকহোন্দা তপ্না-তপ্না মীতৈগী মী মশীং হন্থরক্লবদা করম্বা মীতৈনা ফমুংদা নাখোক্তুনা তূমদুনা লৈথোকপা ঙমগনি। মখূৎতা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় কয়ামুক পায়দুনা মরৈবাক মফূরুপ কন্নবা মীতৈশিং শিবা কিদনা থোক্লরকপা মশানা তাবনি। মীতৈশিংসু তুংগীদমক য়েংলগা তৌফম থোকপা থবক তৌনরকপনি। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা ঐখোয়গীদমক থম্বীরম্বা লমগী ঙমখৈ নীংথিনা ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি মচা-মশু ওইবশিংগী থৌদাংনি।

লম পীয়ু য়াদবগী মীতৈশিংবু য়েক্লবা ওইনা উরিবা কুকিশিং পূম্নমক তুম্না হাৎলগে হায়না খূত্তা খূৎলায় পায়দুনা মায়োক্লবা তাবনি। মপান্থোংদদি মী মানবা, থনুংদদি শাগী লমচৎ চৎপা কুকিশিং অসি তেমশিংনরকপা মশানা তাবনি। লানবনা মখোয়না তপ তানা লাল্লগা মীতৈশিংদা মরাল থংজিল্লিবা কোক চাকপা সাইক্রাটিক লায়নানা নারবা নখোয়তদি তুম্নবা মহাৎলগে খল্লদুনা কুকি অমত্তা লেম্না থাদনা হাৎলকপা মশানা তাবনি। মহৌশাদগী লৈরকপা ওইরো, অনৌবা চঙলকপা কুকি ওইরো, থেমজিন্নবা য়াওনদবা ফত্ত-লৌশিংদা চপ মান্নবা কুকি খুদিং য়েক্লবা ওইনা উবা মশানা তাবনি। কুকিশিং অসি মীতৈ লৈবাক্তগী মৰূ ফূক্লা লাপ্না লংথোকখিনবা হোৎনবা মশানা তাবনি। অতৈ অতৈ খঙদে, কুকি হাৎপদা মীতৈ ঐখোয় লিংজেল মান্নবা তাবনি। লংথোকফমসু থোকই, চাক্লা ইমা লৈবাক মণিপুরগী চারগা ৱানা মীরৈবাক্কী ৱা ঙাঙলিবা তৌবীমল মশক খঙদবা শা ওল্লবা কুকিশিং তিল্লাইখুম্বী হাৎপগুম খোঙনা শ্রু-শ্রু নৈখায়রগা হাৎপা তাবনি।

হৌজিক্তি ঐখোয়দগীদি মখোয়নদুম হেন্না মতিক চাবা মীওই মশীং হেন্না লৈরবনি। লাইরিক-লাইশু তম্লুবদগী চাওখৎপগী থাক মান্নরক্লবনি। অদুবু তৌথোরকপা থবক্তি হৌজিক ফাওবা খুলগী নিংথৌদা খূকউ খুদক কুন্দুনা খুরুম্নরি। এম এল এ, মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর, প্রাইম মিনিষ্টর, প্রসিদেন্টদগী মখোয়গী খুলগী নিংথৌনা চাউবা হেল্লি খঞ্জরি। কষ্টমরি লো চৎনরিবনি হায়না ওক, শন্দং কোংবগী থবক চথুরি। ঐখোয় পূম্নমক ইন্দিয়া মনুংদা লৈদুনা ইন্দিয়াগী বোনাফাইদ সিটিজন অমনি করিমত্তা নাচুংবা পোক্তনা ইন্দিয়াগী মতিক ময়াই লৈরবা আইন-কানুন করেম্নরি। মখোয়গী কষ্টমরি লোনা ইন্দিয়াগী আইন কানুনদগী চাউবা হেল্লি খঞ্জরি। মথানুংদা থায়নগী মী মকোক লুখা থাবগী কোকতু হৌজিকসু করিমত্তা হোংদ্রি। তৌবদি মীতৈ পাউরৌদা মপাগী মচা, উগী উহৈ হায়নবদুনি। মপা-মপুশিংগী ঈদা য়াওবা হিংচা য়াইতম্বগী শাজৎতু মচা-মশুশিংদসু য়াওবা তাবনি, “কৈনা তোকপা পোকপা হৌনদে-!” হায়বদুনি। ●

# মণিপুরমক ওইরমদ্রবা, কুকি লান থোক্লম্লোই!

**– বি সী খুমন –**

ঐবু পোকপীরম্বী ইমানা হায়রম্মী - “ইবুঙো, লৈগী লৈনমদি লৈকোল লান্না নমদবনি, তাইবঙ মীগী মনমদি য়ুথক লান্না চৎপনি।” লাইরিক ময়েকসু চত্তবী পলেমগী লাইগুম্বগী মপাউদু অঙাং ওইরিঙৈদদি থোইদোক্লা খল্লুদে। ঙসিদি ৱাহ! কয়াদা চুম্লমখ্রবা। ৱাহৈগী ৱাহন্থোক অখঙবা কনানা ফত্তবা থবক অমত্তা তৌগে খল্লোইদবা পাউতাক্লি। থায়নগী মীতৈ অহল-লমনশিংসি লাইরিক হৈত্র’সু লাইশুগী লম্‌দদি লম্বা লৈতে হায়বদু কয়াদা চুমখ্রবা। হীরম খুদিংমক্তা অফবা-ফত্তবা মচা খায়না তুংদা হৌরক্কদবা মীরোলশিংগীদমক তাবুনুংদা লাচন্দুনসু থম্বীরম্মী। শান্নবদা ওইরো, জগোয়-ঈশৈদবু ওইরো, শাথেং-লান্থেংনবদবু ওইরো ময়ামদগী তোপ-তোপ্পা অমদি হেক্তা লোয়চেন্নরম্মী। খ্বাইদগী ঙক্লিবনা, মতৌ করম্না অনা-লায়েংগী লম্‌দা মীতৈশিংনা অদুক্কী মতিক এদভান্স ওইরিবনো? থিজিনবা হৈবশিংনা হৈ শিংনা থিজিল্লদি মীতৈসি লাইগী মচা-মশুশিং ওইরম্বসু য়ারি। থিওরি, প্রাক্টিকেল য়াওদনা মনমদা নৎত্রগা টেষ্টতা অনাবশিংদা রিলিফ ওইগদবা ফর্ষ্ট এইদকী হীদাক লাংথক থাবা মীতৈশিং অদুম হৈদুনা লাকই। ঙসিনা মীতৈশিং ৱাখল লৌশিং পুংফক ফকচিনখ্রে। ময়াম্না ইখন খন্নদে, ফীভমদি নোংম-নোংমগী শোকচিল্লকই। শন্দ্রেম্বীগী মমা ঙক য়ৌখ্রদুবু ঙসিসু হিংলি হায়রিরা?

মথোং খঙদনা লৌ উরদি পাল্লবা লৌবুক্তু লায়না তীলনানা ফৌ লোকপাঙমদে। লৈবাক লৈহাও মাঙখিদুনা লমলেম ওইবা তাবনি। কদায়দগী এঞ্জাং-নাপিদি লায়রদনা মরোই মপাঙ ফাওবা হৌনীংলরোই। মদুমক্লি ঙসিগী মণিপুরগী ফীভম। লীশাং শিংনা লৈঙাক্লকপদা অচুম্বা অমত্তা তৌরক্তবনা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক শুম চারে। কনাগী পিওন য়াওনা লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিং অচারম শেলফংনবা হোৎনবদা হীরম খুদিংমক্তা অশোয়বা ঙাক্তা ঙায়খ্রে। অচৌ-অশাং, মন্ত্রি-ফাত্রিদি য়াম্না লেম্না শেল চবুন-চবুন লৌরগা মীয়ামগী মতেং পাংবা শারি। অচৌবা প্রোজেক্ট অমা মতম চানা, মায় পাক্লা লোইশিনবগী ৱাখল খনদে, মাগী-মাগী স্যের ফংদবা য়াদে হায়বনা মাঙ থাখিবনা মতম চানা য়ুটিলাইজেশন সর্টিফিকেট থাহৌদবগী ৱাথোক মশীং খঙদনা লৈরি। লৈবাক পুঙজাও থিন্নরক্লসু হুরানবনা হুরানবা ফাবা ঙমদবনিনা অদুম মরাইবক থীরবা ষ্টেট ওইখ্রিবসি চহী দিকেদ ফনা য়ামখ্রে। হৌজিকসু ৱাখল তাদ্রি, কৈনবু তোকপা পোকপ্রা?

হৌজিকমক্কী ওইনা … মফাং-মফাংবা ৱাথোক-লান্থোকসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মহু কনখ্রবা লৌ ময়াম্না লৈবাক্কী অচৌ-অশাং ফম্নাইবা য়াওনা মীচম মীয়াম পূম্নমক হা-কার লাওনরিবনি। কুকিশিংগী মীহাৎ, সেন্ট্রেল সিক্যুরিটিগী মীফা, মীতৈ খক্তদা টার্গেট তৌরিবনি। মীতৈ কয়া হাৎখ্রে, মীতৈ কয়াম ফাগৎখ্রে, মীতৈ কয়াম্না রিলিফ কেম্পতা অৱাবা খাঙলি হায়বা শুকখঙ খঙদবা মীতৈ ময়াম অমসু লৈরমগনি। ময়ামদুগী মরক্তা মীয়ামগী মীহুৎ কয়া অমসু য়াওরমগনি। মীয়ামগী মীহুৎনা মরন্নাইগী হিসাবতা লৈখ্রবা, মীতৈ অমা ওইনা মীতৈ ফূরুপ কন্নিংবগী ইথিল পোক্ত্রবা মখোয়শিংদুদি ঈয়ান চঙখ্রবা মীতৈনি হায়বদা মখোয় শাওগদ্রা? লো মেক্কর ওইদ্রদি মীয়ামগী মতেং পাংবা য়াদবরা? এম এল এ ওইরদি মিনিষ্টর ওইদ-য়াদে হায়বা চৎনবী লৈব্রা? হন্দক্কী কুকি লানসিনা পীরম্বা অফবা খুদোল অমা হায়য়ু হায়রদি, মীপূম খুদিংমক - কনাবু মীয়ামগী অশেংবা মীহুৎ কৌগদগে হায়বা নিংথিনা খঙনরে। মথংগী ইলেক্সন লাকপদা মনানা হৈমাং শাবা য়াররোই, মানা কেগেনি, মানা উনি খঙনা, অচুম অরান খন্না মীয়ামগী মীহুৎ খল্লক্লনি। হায়সু হায়নৈ ঐখোয় শেল পাম্মী, শেল পীরিমখৈ লৌনি, তৌবতদি অফবা মীহুৎ থাগৎকনি। শেলনা থোং শারগা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনি খনবশিংগী মমূ য়ৈথেক্কনি। শেলনা লৈবা ঙমদবা লৈতে খনবশিং পাড়া তন্বীগনি। অপান্বনা পীবা, মান্নদবা চৈথেংগী মশক অমসু থোক্লক্কদৌরি। কৈদৌরুনি, হিংদি হিংবা তাই, পান্থৈ অমা নৎত্রগা অমনা। লাইনা পানবীরকপা খয়াৎনি, লেম্না মাঙখিবা য়ারোই। নোংগৌবীসু ইখৌ লাংবা কোকখি হায়নৈ - কুমগী নোং লাকপদা!

অঙকপনি! নিংথিখ্রবা দেমোক্রেসিগী চৎন-কয়াৎতা মণিপুরনা করম্বা ফিজি-ফিনা নেৎলুবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করি শাপ তৌখ্রবনো, মণিপুর পুমচাই চাইখ্রে। মরম অমবুদি লৈরমগনি, চীন-লৈ কেনগদবা ৱাফম ওইরমগদ্রা? অখঙবসু-খঙদবসু ৱা ঙাঙনদে। ইফোং ফোংলবা অরোনবনি অদুবু হৌদোংদা শরিক থাংলুবা ওইথোক্তবা ৱারেপ ওইনা লৈনরি। নোংমদি শোয়দনা শিগদবা মীওইবনি, অদুবু লোইনমক শিববুদি হঙ্গোইনৈ। নাকল অমনা অপূনবা ইন্দিয়া অমগী ৱাখল্লোননি, অমনা মাঙখ্রবা মনীংতম্বা হঞ্জিনগে হায়বনি। য়াশিন্নবগী ৱাফমদি ঈশিংগা থাওগনি, নকশিন্নবদা মৈ ব্রং-ব্রং হৌনরিবনি। অঙম তান্নবগী রিএক্সননা মীচম মীয়াম হা-কার লাওহনবনি। অচুম্বা শক্লবা হোৎনবদা নাকল অনীমক মীনম্বা কিনদ্রে, মীয়ামগী খোল্লাও তানীংখিদ্রে। খঙদ্রে, লৈবাক ঙাক্লোনসু কাং-খোং চাইখ্রে, লৈবাক নুংশিবসু ৱাখল্লোন অনী/মরি থোক্লা চীংখাইখ্রে, সী এস ওশিংসু মনীং তম্নীংলক্লে, মহৈরোইশিংসু লৈবাক ঙাকপা ওইনীংলক্লে। পূম্নমক মনানা হৈমাং শানীংখ্রমাল্লে, থন্দবা চফু মখোল থোকপদু ঙাইখ্রে।

মণিপুর ওইরম্বগী তৌবনি নৎত্রদিকো নহান্না সেন্ট্রেল লৈঙাক পুমচাই চাইরনি। মণিপুর ওইরম্বগী তৌবনিকো নৎত্রবদি কুকি ফূরুপ নহান্না মমিং কাউখ্রনি। করিগুম্বা মণিপুর ওইরমদ্রবা মুকথ্রুবীগুম সী এস ও, মহৈরোয় লূপশিংনা মসা পান্না পাইরম্মোই। মণিপুরমক ওইরমদ্রবা, পি এম মোদি, ঐচ এম অমিট শাহনা হঞ্চক-ঙাচক শাবা ঙম্লম্লোই। টেররিষ্ট তাথিখ্রবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর মখোয়মক্লা টেররিষ্ট য়োক্তুনা থম্মী। অরুবা খূৎলায় অমগুম্না লুপা মশীং খঙদা চাদিং তৌথোক্লি। হেন্না মরাইবক থীরিবনা, য়েক্লবা তম্না কাপখিগদবা অরুবা খূৎলায়দুনা শোয়বদগী মখোয়মক্কী মীয়ামদা তাশিন্দুনা মশীং খঙদা মীশি-মীনা য়াওরমক্তদা করিসু তৌদবা শাদুনা পঙশিন্নবা ঙম্বসিমক নোংমদি মখোঙদা শীংজংনা য়ানশিঞ্জবগুম চৈনা ফাওরকখিনি। তাইবঙ মীগী ফত্তবা মনম, লোৎশিনবা, খুমজিনবনা কোকপা ঙম্লোই। পথরক্কনি, মনম্না মালেম শাৎখিনি। হায়নবদাইনে মীয়াম্না ঈশিংনি, লৈবাকপু নুংশিবা, মরমদম্বু নুংশিজবা, কখোল্লবা মখোয়না ঙানি। য়েংখিবা তাই লৈকংলাদা ঙানা করম হিংহৌবা!! ●

# দেঙ্গি, নোংজু-মতম অমদি কালেনথা - (২)

**- জেমস খাঙেনবম -**

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা-)* প্লেটলেটশিংগী মশীং নৎত্রগা চাং অসি মশাগী লৈফম থোকপা চাং অদুদগী হন্থনা লৈরবদি হকচাংদগী ঈ থোক্লকই। দেঙ্গিনা নারবা মীওই অমগী মশাদা য়াওবা প্লেটলেটশিংগী চাং অদু হন্থরকপা মতমদা প্লেটলেট ইঞ্জেক্সন কাপশিন্দুনা হেনগৎহন্দ্রবদি মীওই অদু অশিবগী খয়াৎতা তাগনি। দেঙ্গিগী অতৈ অরুবা খুদোংথীনীংঙাই ওইবা ৱাফম কয়াসু লৈরি, মদু হেল্থ প্রেক্টিস্নরশিংনা হেন্না খঙলমগনি।

কুমজা ২০২৫দা দেঙ্গিগী লাইচৎ শন্দোরকপা মতমদা লায়না অসিনা নাবদগী লায়েংগদবা মীওই মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা মরমদগী ফীভম অদুগা মায়োক্লবা ঙম্নবগীদমক্তা জেনিমস হোস্পিটালদা দেঙ্গিগী তোঙানবা ৱার্দ অমা হাংদোকখি। রিমসতসু মতৌ অসুম্না অনাবা মীওই কয়ামরুম লায়েংখি।

ইম্ফাল মনুংগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদসু লায়েংবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংখি। মীওই কয়ামরুম গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়েংবদা নাবা ফখি। মতম চানা লায়েংহৌবদগী মমল য়াল্লবা পুন্সি কয়া কনবা ঙমখি। অদুম ওইনমক, মিপাইনীংঙাই ওইরবা দেঙ্গিনা নাবগী মতম অদু অমুক হন্না মীয়ামগী মরক্তা হল্লক্কদ্রা হায়বগী অকিবা ৱাখল অমা মীপূম খূদীংমক্কী পুক্নীংদা পোক্লরি।

**ইন্দিয়াদা দেঙ্গি টেষ্ট তৌবগী মওং** - গভর্ণমেন্টকী চৎনরোল মতুংইন্না ELISA গী মেথদ শীজিন্নদবা প্রাইভেট লেবশিংনা পীরকপা দেঙ্গি পোজিটিভ ওইবগী টেষ্ট রিজল্টশিং অদু লায়না অসিনা নারম্বা য়াবগী কেসশিং ওইনা লৌই। মণিপুরদা প্রাইভেট লেবোরেটরিশিংনা দেঙ্গিগী লায়না অসি মশক খঙদোক্লবগীদমক্তা Immunochromatography গুম্বা মেথদশিং শীজিন্নৈ। হায়রিবা মেথদশিং অসিনা ঙল্লিঙৈদা লাইওং লেপথোক্লবা, ভাইরেল প্রোটিনশিং (NSI) নৎত্রগা হকচাংগী ইম্যুন রেস্পোন্স (Ig M/IgG) মশক তাকই।

নেশনল সেন্টর ফোর ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল ন্যু দেল্লীনা দেঙ্গিগী অনাবা খঙদোক্লবা রুলশিং পীরি। মসি ELISA দা য়ূম্ফম ওইবা NSI এন্টিজেন টেষ্ট অমসুং IgM-capture enzyme-linked immunosorbent assay (MAC-ELISA) হায়বা পান্থেশিং অসি শীজিন্নবনি। মণিপুরদা রিমস অমসুং জেনিমসতা লৈবা VRDL লেবশিং অসি দেঙ্গি টেষ্ট তৌনবা অয়াবা পীরবা সেন্টরশিংনি।

কুমজা ২০২৫দা মণিপুরদা দেঙ্গিগী লাইচৎ থোক্লকপা মতমদা অর্বান প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরস (UPHCs) অমসুং অর্বান আয়ুশমান অরোগ্যা মন্দিরস (UAAMs) য়াওনা গভর্ণমেন্টকী হেল্থ সেন্টর কয়ানা দেঙ্গি টেষ্ট তৌনবা সেম্পল খোমজিনফম ওইনা মথৌ পাঙথোকখি। সেম্পলশিং অদু খোমজিনবা মতমদা লাইহৌ হৌবা হৌরকপা নুমিৎ অমসুং সেম্পল লৌবা নুমিৎ হায়রিবশিং অসিসু রেকোর্দ তৌশিন্দুনা, লেবরেটরিনা করম্বা মখলগী টেষ্ট তৌগদগে হায়বদু লেপথোকপদা তেংবাংই। এন এস আইগী টেষ্ট অসি নুমিৎ অমদগী ৫নি ফাওবগী মনুংদা খোমজিনবা সেম্পলশিংদা পাঙথোকই অমসুং IgM অসিনা নুমিৎ মঙানিগী মতুংদা লৌবা সেম্পলশিংদা তৌই।

**কাঙ মখল অসিগা লান্থেংনবা** - কুমজা ২০২৫দা দেঙ্গি লাইচৎ থোক্লকপা মতমদা অনা-লায়েংগী থবক তৌবা ওফিশলশিংনা মীদিয়াদা ‘মৈখু খুহনবা (smogging)’ না লাইচৎ অসি থিংবা ঙমদে হায়না লাউথোকখি। অদুবু, মৈখু খুহনবা নৎত্রগা ফ্যুমিগেশন তৌদুনা কাঙ মপীশিং হাৎনবা হোৎনবগী রিপোর্টসু নুমিৎ খূদীংগী ফোঙদোকখি। থৌওং অদুনা মীয়াম্বু চমন্নহনখি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা দেঙ্গিগী লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীয়ামদা মদুগী থৌওংশিং অদু ময়েক শেংনা, মপূং ফানা অমসুং শম্পৎনা খঙহনবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌফম থোকই। মীয়ামগী পুক্নীংদা থাজবগী চাং ৱাংখৎহনবা মথৌ তাই। লৈকায় লৈকায়গী মীওইশিংবু শরুক য়াহনবা কান্নগনি অমসুং ৱাফম অসি লৈকায় খূদীংমক্তা লৈবা ক্লবশিংবু ওর্গনাইজ তৌদুনা শরুক য়াহনখিবা অদুদা ময়েক শেংনা উবা ফংনখি। লম লমগী মীহুৎ অমসুং এম এল এশিংনা অশিল অরাং তৌনবনা খ্বাইদগী হেন্না কান্নগনি।

Guppies হায়রিবা ঙা মচা শঙ্গুশিং অসিনা কাঙ মরূম চাথোকই। দল্লিয়ু ঐচ ওনা Temephose হায়বা হীদাক অসিসু কাঙ মরূম হাৎনবা পান্থে অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াহল্লি অমসুং মালেম পূম্বগী ওইনা রেকোম্মেন্দ তৌরবা চাং অমদা শীজিন্নৈ। লায়না চেল্লবা aedes aegypti কাঙশিংগী অকঙবা মরূমশিংনা মচা ওন্দুনা মীয়ামদা লান্দানবগীদমক্তা নোং তারকপা মতম ঙাইদুনা লৈ। কাঙ মখল অসি লম্ফাং-তুহাংদা হুন্দোক্তুনা থম্বা টয়ার শেগায়বশিংগী মনুংদা মরূম কোক্কনবা মরম্না হায়রিবা টয়ারশিং অসি লৈরবদি মনুং থংবা শরুকশিং অদু শেংনা তকথোক-নান্থোক্তুনা শেংদোকপা ফৈ। ম্যুনিসিপালিটি অমসুং হেল্টঠ দিপার্টমেন্ট অনীনা অমত্তা ওইনা খূৎশম্নদুনা লৈকায় খূদীংবু তরু-তনান্না লৈহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা অকনবা কেম্প্যেন চথুবা, লায়না শন্দোরকপা য়াবা মফম য়াম্না লৈহন্দনবা অমসুং মীওইবগী পুন্সি কলহৌনবা থবক পায়খৎপা হায়রিবা থৌওংশিং অসিনা কান্নবা য়াম্না ফংহনগনি।

চুম্নগী aedes aegypti হায়রিবা কাঙ অসিখক্তংদা পান্দমফম ওইবগী মহুত্তা অর্বান অমসুং সেমি-অর্বান এরিয়াগী ইরম-নালাশিংদা লৈবা কাঙ মখল পূম্নমক্কী মরূমশিং অদু টেমফোশ কাপ্তুনা হাৎলবদি য়াম্নমক কান্নগনি। য়ূমগী মনুং নৎত্রগা মপান অমসুং অকোয়বদা কাঙ পাইদ্রবদি পূক্নীংদা অকিবা পোকপগী চাং হন্থগনি। মশীং য়াল্লবা অতোপ্পা কাঙশিংগী মরক্তগী aedes aegypti হায়বা কাঙ মখল অসি খন্দোকপা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে। Guppies হায়রিবা ঙা মচাশিং অসিবু নালা, পুখ্রি অমসুং ঈশিং তূংবা মফমশিংদা থাদোকপা অসিনসু কাঙশিংবু মরূম ওইনা লৈরিঙৈগী মতাংদা মাঙহনখিবদা কান্নগনি। ষ্টেট অসি হৌখিবা চহী অহুম অসিদা দেঙ্গিগী লাইচৎ মায়োক্লখ্রে অমসুং কুমজা ২০২৬ অসিদসু মায়োক্লরকপা য়াই। ●

***(জেমস খাঙেনবম জর্নেলিষ্ট অমনি। ৱারেং অসি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেশন অমসুং নেশনল ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল, ন্যু দেল্লীগী ৱেবসাইটতগী ফংবা তেংবাংগা লোয়ননা ইবনি)***

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্কীজ -১৩১গী ৱাহং**

১) “দিমান্দ লেটর” হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি করম্বা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবা অসি কনানো?

২) “মানা লৈরিবা মফম অদুগী অচিকপদু থুগাইদুনা চঙশিল্লক্লিবা মতৌ অদু রাজুনা ওক্লম্মী।”
ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবনি। ত্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) “মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা তাঙনা ফংবা সাহিত্যগী মচল অমা হায়বা তারবদি লিটরেরি ক্রিটিসিজমনি হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি নীংদে।”
ৱাহৈ পরেং অসি ক্রিটিসিজমগী লাইরিক অমদা অইবা অসিগী পূক্লিং ৱা হায়বদুদা ফোঙদোকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) “ঐগী পীল্লবা আশাগী পান্দোং
ঐগী চল্লবা আশাগী লৈয়োন
য়েন্নৌ য়েন্নিং হুন্দবা কুইরে
পূক্লিং বসন্ত লাক্তবা কুইরে।”
লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা কনানো? করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৫) “আয়ুশনা মাগী ছাইকল রেলী অদু ইন্থোক্লক্তুনা মমান্নবা রোজেনখোয়দা কোয়রুগদবগী থোক্লক্লি।”
ৱাহৈ পরেং অসি উপন্যাসকী লাইরিক অমগী অহানবা শরুক্তগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।